# ‘থা অমগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়র কোর্টতা আপিল চৎকদবনি’




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুনদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী), চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা থা অসিগী হৌখিবা ১৭তা এন দি এন্দ পি এস কোর্টনা থাদোরকপগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং কৈথেলদা নুপী খুন্নাই অপূনবা লূপ, লমশাংনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা দ্রগ লল্লোনবা মীওই শৌগৎপা মানবা থবক চখরোইদবনি। মশাগী ওফিসল ক্বার্টরদগী য়াম্লবা দ্রগকা লোয়ননা ফাগৎপদা চেন্নবা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকপা অসি মীয়াম্না চাউনা চিংনবা ফাওই। থৌওং অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা ‘ৱার ওন দ্রগস’ ফাগি তাহল্লে অমসুং মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লুখোসৈ জৌ কোর্টনা থাদোকখিবা নুমিৎতগী পারগা থা অমগী মনুংদা মথক থোংবা কোর্টতা আপিল চত্তুনা কেস অসি নৌনা হন্দোক্তুনা থিজিলহন্নবা থৌদাং লৌগদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা মীয়ামগী খোল্লাউ তাদ্রবদি হৌনরুবা নাইদবা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী খুন্নাই লমশাংগী এদভাইজর ইরুংবম রানিবলানা হায়খিবদা য়াম্লবা দ্রগকা লোয়ননা ফাখ্রবা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসি কেস অসিগী থিজিল্লিবা আই ও অমদি লৈঙাক্কী প্রোসিজরশিংগী মরক্তা অচৌবা লৌতুনবা অমা য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। থৌওং অসি লৈঙাক্লা দ্রগ লল্লোনবা মীওই শৌগৎপনি হায়না লৌই। দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং মরালগী মতুংইন্না চপ চাবা চৈরাক পীয়ু অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইরোলনুংদগী মণিপুর খুন্নাই কল্লু হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লকপদা শরুক য়াখিবা খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিজিনস চিঙ্গাকশিং লীদুনা থম্বগী খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা মেলা পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

লমদম অসিগী মীহৌরোলদগী লৈজরক্লবা চিঙ্গাকশিং মাঙহন্দনা থল্লগা ঐখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈ ওইবগী পান্দমদা ঙসি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ৱাংজিংদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিস ওর্গনাইজেসন (আই আর দি এস ও) গী কেম্পসতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঐখোয়গী মীহৌরোলগী ওইবা চিঙ্গাকশিংগী মরূ-মরাংশিং উৎপা মেলা অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা অদু করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা আই আর দি এস ওগী চীফ ফঙ্কস্নরি ওইরিবী নোনিবালা নারেংবমনা হায়, ঙসিগী মীরোলনা লমদম অসিগী মীহৌরোলদগী লৈজরক্লবা (ইন্দিজিনস) চিঙ্গাকশিং অসি লীদুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। চিঙ্গাকশিং অসিনা ঐখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈ ওইরিবনি। ইন্দিজিনস চিঙ্গাকশিং মাঙখিবা হায়বসি লৈবাক অসি মাঙলিবনি। চিঙ্গাক য়াওদনা ঐখোয় হিংবা ওইথোক্তে। ঐখোয়গী মীহৌরোলগী চিঙ্গাকশিং অসি লিদুনা থম্বদা নত্তনা পাক শন্না ফংহনবা ঙম্লবদি ইশা ইশাগী হিংনবগী লম্বী ওইবসু য়াই। পান্দম অসিদা খন্ন-নৈনবা অসি পাঙথোকপনি। মসিগা ইরোয়ননা মীয়ামদা ঐখোয়গী মীহৌরোলদগী লৈজরক্লবা চিঙ্গাক্কী মরূ-মরাংশিং অসি উৎপা মেলা অমসু শীঞ্জবনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না মীহৌরোলদগী লৈরক্লবা চিঙ্গাকশিংগী মরূ-মরাং লীদুনা থম্বা অমদি পাক শন্না ফংহনবা হায়বগী মতাংদসু ৱিক্করস সেক্সন দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (দব্লিয়ু এস দি সী), খাংসিংগী সেক্রেটরি সাংনাইদাদ তোন্তাংনা ৱা ঙাঙখি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর দিভলপমেন্ট ওফিসর, থৌবাল ওইরিবা থোকচোম প্রদিপনা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টতা ফংলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমদি কান্নবশিং হায়বগী মতাং অমসুং কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে), থৌবালগী এগ্রোনোমিগী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট (এস এম এস) এন তোম্বনা লৌমীশিংনা চিঙ্গাক্কী মরূ-মরাংশিং পুথোকপগী তঙাইফদবা হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি।

পনবা য়াবদি, চর্চ ঔজিলরি ফোর সোসল এক্সন (সী এ এস এ) গী তেংবাঙগা লোয়ননা আই আর দি এস ও, ৱাংজিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা অমদি মরূ-মরাংশিং উৎপগী মেলা অদুদা লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাওগা চুনবা চিঙ্গাকশিংগী মরূ-মরাংশিং উৎপা ষ্টোলশিং হাংদোক্লখি হায়রি।

# খৃষ্টমাস অমসুং ন্যু য়রদা কোভিদ-১৯দগী চেকশিলহৌনবা আই এম এনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

হৌখিবা চয়োল খরদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেসশিংগী মশীং শিংথানবা য়ানা হন্থরকপা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পেন্দমিক অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংবু ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) না থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লাক্লিবা খৃষ্টমাস অমসুং ন্যু য়র কুম্মৈশিংদগী কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগীদমক মীয়ামদা ৱাফম খরা থম্লক্লি।

ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন্না কোভিদ-১৯না খুদোংচাদবা মায়োক্ল হল্লকপা অসি লৈররোই হায়বা লৈত্রিবনা লাক্লিবা কুম্মৈশিং অসিগা মরী লৈননা ফেষ্টিভ সিজন অসিগী মনুংদা মীয়ামনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংদি তঙাইফদনা মী য়াম্না তিনবা তৌবীগনু, মী য়াম্না পুনবা মফমদগী লাপথোকপীয়ু, মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা কোমোরবিটিটিজ লৈবা, মশা লূম্লবী নুপীশিং অমসুং চহী ১০গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং য়ূম-য়ূমদা লৈবীয়ু, কোভিদ-১৯গী সোসল দিষ্টেন্সিং প্রোটোকোল চেকশিন্না ঙাক্লা চৎপীয়ু, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা নিংথিজনা ফেস মাস্ক তঙাইফদনা শীজিন্নবীয়ু, মফম পূম্নমক্তা হেন্দ সেনিটাইজরশিং ফংহনবগা লোয়ননা তোয়না খূৎ-শা হাম্বগী হৈনবী থম্বীয়ু হায়রি।

ফেষ্টিভ সিজন অসিগী মাঙওইননা ৱারোলশিং অসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রম অমসুং ওনররি ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. এন জি অরুনকুমারনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, আই এম এনা শিজ ফাউন্দেসনগা খূৎশম্নদুনা ‘ইমর্জিং ত্রেন্দ ওফ কোভিদ-১৯ এন্দ প্রিকোসন্স ফোর খৃষ্টমাস এন্দ ন্যু য়র’ হায়বা টোপিক অসিগী মতাংদা ফেসবুক লাইভ প্রোগ্রাম অমসু শন্দোক্কনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসি হয়েং নুংথিল পুং ২ তারকপদা মীয়ামনা www.facebook.com/shijahospitals দা শন্দোক্কনি হায়বগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী খৃষ্টমাস অমসুং ন্যু য়রগী য়াইফ পাউজেলসু পীরক্লি।

# য়ু জিনি হায়বা ১ মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ওফিসর ইন-চার্জনা লুচিংবা টিম অমনা ১৬শুবা অসাম রাইফলসকা খূৎশম্নদুনা লংথবাল কুঞ্জগী ওইল পম্প ময়াদা চখখিবা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিংদা লালহৌ লূপ অমগী এক্টিভ মেম্বরনি হায়না ফাখিবা মীওই অমা মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

পুলিসনা কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কেৱাই কে এল) গী এক্টিভ মেম্বরনি হায়দুনা চার্জ তৌরগা ফারবা মীওই অদুগী মমিং নিংথৌজম বিদ্যাসাগর এলিয়জ বোর (৩৭) কৌই। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী থোঙাম মোন্দুম থোংখোং লৈকায়দগী এন ইবোপিশক্কী মচানুপানি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মহাকপু মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীদুনা প্রেয়র তৌরকখিবদা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মহাক থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ২.১০ রোম তারকপদা লংথবাল কুঞ্জগী ওইল পম্প ময়াদগী ফাগৎখিবনি হায়রি।

মহাকপু কম্বাইন্দ টিম অসিনা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নরকপদগী মহাক্কী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪২ (১২) ২০২০ অন্দর সেক্সন ২০ অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়রি।

লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা থম্লকখিবনি। অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা পুথোরকখিবদা অমুক হন্না মহাকপু নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী তৌরকখিবা প্রেয়র অদুদা কোর্টনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মহাকপু থা অসিগী ২৮ ফাওবা মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি পুলিসকী প্রেয়র অদুগী মতুংইন্না মহাক হৌখিবা কুমজা ২০০০গী ওগষ্ট থাদা ওর্গনাইজেসন অসিগী উমাথেলদগী সর্জন্ট চীংলেন কৌবা মীওই অমগী খূখাংদা পার্টি অসিদা য়াওখিবনি। অদুগা চহী অদুমক্তদা মহাক খৌপুম তম্পাক্তা পার্টি অসিগী জিটেন কৌবা কোর্পোরেল অমগী মখাদা থা অহুমগী ত্রেনিং ফংলুরে হায়রি। লোয়ননা মহাক কুমজা ২০০০গী পার্টি অসিগী অহানবা বেটচকী আর্মি নম্বর ৩০৭নি হায়রি।

মহাক্লা পুলিসতা ফোঙদোকই হায়বগী মতুংইন্না মহাক ইম্ফাল ইষ্টকী সারৌথেলদগী পার্টি অসিগী য়াইফবা কৌবা কেপ্তেন অমগী মখাদা থবক তৌরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কম্মান্দর অসি মহাকপু পার্টি অসিগীদমক নহাশিং রিক্রুট তৌনবা ইন্সত্রক্সন পীরকখি হায়রি।

# দি এম কোলেজগী টিচরস ফোরমনা ক্লাস লৌদবগী খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৮দগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলকপগা ইরোয়ননা মতম অদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী ক্লাসশিং লৌবদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লাক্লিবা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী টিচরস ফোরমনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অন্দর গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েট ক্লাসশিং লৌদবগা লোয়ননা মহৈকোল অসিগী মরী লৈনবা থবক পূম্বা লেপ্পবা ৱারেপ্পখ্রে।

ৱারেপ অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ তারকপদা পাঙথোকখিবা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী টিচরস ফোরমগী ইমর্জেন্সি মীটিং অমনা লৌখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অথুবা মীফম অদুগা মরী লৈননা টিচর ফোরম অসিগী সেক্রেটরিনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলকপদগী মসিগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লিবা য়ুটিলাইজ তৌরবা ওজাশিং য়াওনা ৱাজরক্লবা ওজাশিং অসিবু ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং ওইনা লৌশিনবীনবা মণিপুর লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাকখিবনি হায়রি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈঙাক্লা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজা ৮৮ লৌনবগীদমক এদভর্টাইজ তৌরক্লে হায়রি।

থৌওং অসিদা ঙসিগী মীফমনা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা করিগুম্বা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ৱাজরক্লবা ওজাশিং অসিবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী মপূং ফাবা ওজাশিং ওইনা লৌশিনবীদবা তারবদি মথং চহীগী জন্যুৱারী ২দগী ওজাশিংনা ঙসি লৌখিবা ৱারেপ অসি থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়রি।

# নুমীৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা ৱার্কশোপ অমসুং ফেষ্টিভেল ওফ চোলোম হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস):

দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর, পোরোম্পাৎতা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা ৱার্কশোপ অমসুং ফেষ্টিভেল ওফ চোলোমস ঙসিদগী হৌখ্রে।

হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর, পোরোম্পাৎকী কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী উপ-অধ্ক্ষা ক্ষেত্রিময়ুম তমানা চীফ গেষ্ট অমসুং সেন্টর অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন মনিশ্যামনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ক্ষেত্রিময়ুম তমানা হায়খি, হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা ঙসি ফাওবদা লমদম অসিদগী মুৎখিগদ্রা হায়না মীপায়নরিবা আর্ট ফোর্ম কয়া য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী আর্ট ফোর্মশিংগী আর্টিষ্ট কয়া পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। লমদমসিগী নাৎ অমসুং কলচরবু য়োকখৎননবা সেন্টর অসিনা থৌদাং কয়া লৌরি। সেন্টর অসিদগী আর্টিষ্ট কয়া পুথোকপগা লোয়ননা নাৎ অমসুং কলচরগা মরী লৈনবা ৱার্কশোপ অমদি সেমিনার কয়াসু সেন্টর অসিনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা সেন্টর অসি হেন্না চাউখৎননবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেংশিংসু পাংগনি। লোয়ননা সেন্টর অসিনা অফবা আর্টিষ্ট কয়াসু মথং-মথং পুথোরকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী সেক্রেটরি এন হরিমতিনা হায়খি, কুমজা ১৯৭২দা সেন্টর অসি লিংখৎখিবনি। সেন্টর অসিনা বেল্লে, মণিপুর দান্স দ্রামা কয়া পুথোকখ্রে। সেন্টর অসিদগী চহী ৩ সার্টিফিকেট কোর্স লোইদুনা এম এ তম্বা ফাওবা য়াওখ্রে। ক্লাসিকেল দান্স কয়া কম্পোজিসন তৌখ্রে। লোয়ননা সেন্টর অসিনা তোঙান-তোঙানবা আর্ট কয়াগী মশক নাইরবা আর্টিষ্ট কয়া পুথোকখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপ অমসুং ফেষ্টিভেল ওফ চোলোমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আর্টিষ্টশিংনা ধোল-ধোলোক অমসুং পুঙ চোলোমশিং উৎখি। ৱার্কশোপ অমসুং ফেষ্টিভেল অসি লোইশিনবা থৌরমদা ম্যুজিক ফ্যুজন অমসু উৎকনি হায়রি।

# আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরদা নেসনল মশরুম দে অমসুং কিষান দিৱসকী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

ইম্ফালগী লম্ফেল পাৎতা লৈরিবা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ফোর এগ্রিকলচরেল রিছার্স (নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন), মণিপুর সেন্টরনা ঙসি নেসনল মশরুম দে-২০২০ অমসুং কিষান দিৱসকী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

কুমসি চহীগী নেসনল মশরুম দেগী থৌরম অসি ‘মশরুম এজ ইম্যুনিতি বুষ্টর’ হায়বা থিম অসিগী মখাদা পাঙথোকপনি হায়রি। থৌরম অসি মশরুমগী এ আই সী আর পি, এগ্রি-বিজিনেস ইনক্যুবেসন সেন্টর ইম্ফালনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্রগা খূৎশম্নদুনা শীনবনি।

ঙসিগী থৌরমশিং অসিদা নেশনেল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচরেল এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট (নবার্দ), মণিপুর রিজনেল ওফিসকী জেনরেল মেনেজর ডা. এন শ্রীনিবাস রাওনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। অদুগা এম আই দি ঐচ অমসুং এম ও ভি সী দি (নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন) গী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কে দেবদত্ত শর্ম্মা অমসুং আই সী এ আর রিজনেল সেন্টর (নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন) অসিগী হান্নগী দিরেক্টর ডা. এন প্রকাসনা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইখি। অদুগা প্রোগ্রাম অসিবু আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. আই মেঘচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি হায়রি।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা নবার্দকী জেনরেল মেনেজর ডা. এম শ্রীনিবাসা রাওনা ফোঙদোকখিবদা মশরুম মার্কেট অমা মসিগী এন্টরপ্রাইজ অসিবু মায় পাকহন্নবগীদমক শেম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। হায়রিবা মশরুম ওন্ত্রপ্রেনরস অমসুং ফার্মরশিংদা মখোয়গী বিজিনেস অসি পাকথোক চাউথোকহন্নবগীদমক এগ্রিকলচর ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দ অমসুং কে সী সী লোনশিংসু পীগদবনি হায়খি।

কে দেবদত্তনা ফোঙদোকখিবদনা, মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা মখলগী মশরুমশিং থাবা অমসুং পুথোকপদা পোটেন্সিএল লৈবা ষ্টেট অমনি। মশরুম কলটিভেসন অসি এগ্রিকলচরেল পোথোকশিংবু মচি ওইবা চিঙ্গাকশিং ওন্থোকপদা অমসুং এগ্রো ৱেষ্টশিংবু রিসাইক্লিং তৌদুনা কান্নবা মওংদা পুখৎনবগীদমক তোপ তোপ্পা খূৎলায় অমনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ডা. এম প্রকাসনা ফোঙদোকখিবদা মশরুম কলটিভেসনগীদমক ক্বালিটি স্পোনশিংগী অৱাৎপা লৈরি অমসুং ত্রেনিং ফংলবা নহারোলশিং অমসুং ওন্ত্রপ্রেনুয়রশিংনা স্পোন প্রদক্সন য়ুনিটশিং শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়খি।

থৌরম অসিবু প্রিসাইদ তৌখিবা ডা. আই মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা কুমজা ২০২২দদি লৌমীশিংগী ইনকম চপ মান্নবা চাংদা হেনগৎহন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি মশরুম কলটিভেসন্না ওইরগনি হায়খি।

কৈথেলদা মমল তাঙনা লৈনরিবা মমল য়াম্লবা ইন্দিজিনস মশরুমশিং ষ্টেট অসিদা ফংই। মশরুমশিং অসিগী মগুন হেনগৎহনবগা লোয়ননা মসিবু পাক শন্না মার্কেটিং তৌবদা মায় পাকহন্নবগীদমক মশরুম গ্রোৱরশিংদা ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসনগী থবক চাওখৎহনগদবনি হায়খি।

# অসাম রাইফলসনা মোরেদা মোটিভেসনেল লেকচর পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

অসাম রাইফলসনা মোরেদা লৈবা অদুল্লম দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা মোটিভেসনেল লেকচর অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা খঙহনখ্রে।

মোটিভেসনেল লেকচর অসিগী মনুংদা দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর অসিদা অসাম রাইফলসনা এক ভারত শ্রেষ্ঠা ভারত দ্রাইভকী মখাদা ভিদিও অমসু উৎতুনা য়েংহনখি। প্রোগ্রাম অসিদা সেন্টর অসিগী ষ্টাফ মেম্বরশিং য়াওনা সেন্টর অসিগী মেম্বর ১৩০ হেনবনা শরুক য়াখি।

মখোয়না উৎখিবা দোক্যুমেন্টরি অদু য়েংখিবগা লোয়ননা লেকচর প্রোগ্রাম অদু থৱায় য়াওনা তাখি। অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী উৎখিবা দোক্যুমেন্টরি অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পাঙথোকপা মখল কয়াগী ওপরেসনশিং অমসুং সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী পুন্সি মহিং অমদি মখোয়গী ত্রেনিংনচিংবগী মতাংদা য়াওখি।

প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী ঈং-চিকপা ঙাক্লবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু য়েংহনখি। লোয়ননা ফোর্স অসিগী মায়কৈদগী পাঙথোকখিবা মোটিভেসনেল অমসুং ইন্সপিরেসনেল এক্টিভিটিশিং উৎপগী প্রোগ্রাম অসিদা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অসিগী দিরেক্টরনা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মসিনা সেন্টর অসিগী ইনমেটশিংদা মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা পোকহনগনি হায়বগা লোয়ননা অসিগুম্বা মখলগী প্রোগ্রামশিং মতুংদসু পাঙথোকপীননবা হায়জরকখি হায়রি।

# বিহারদগী ফারকপা য়ু জি ১ ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):

শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা বিহার পুলিসনা ফাবদগী মণিপুর পুলিসনা অমুক হন্না ফাদুনা মফম অদুগী কোর্ট অমদগী ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌদুনা ইম্ফালদা পুরকখিবা কে সী পি (এম জে সী) গী মরু ওইবা কাদরনি হায়বা মীওই অমা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরগা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টকী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে হায়রিবা য়ু জিনি হায়বা মীওই অদুগী মমিং নাওরেম দিলিপ এলিয়জ ৱাংঙম্বা (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন দোলেন্দ্রো কৌই। শিংজমৈ মখা নাওরেম লৈকায়দগীনি হায়রি।

মহাকপু শিংজমৈ পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস খরদা মথং মথং ফাদুনা ৱাহং পাউহং চখরক্লবা মতুংদা পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবদা লম্ফেল পুলিসনা লৌখৎপা অতোপ্পা কেস অমদসু চেন্নরম্বদগী কোর্টতগী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখিবনি হায়রি।

# পুলিসনা টি এস বেটোনগী য়ুমদা থি-হুম্বগী থবক চত্থরম্বগী মায়োক্তা চান্দেলদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):




চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কাননখু ভিলেজদা লৈবা সোসল ৱার্কর তোংসিং বেটোন অনাল (৬৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি এস বেথুংগী য়ূমদা চৎলিবা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.১৫ রোম তারকপদা পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক চত্থরম্বগী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি করি মরমগী থৌওং অদু চত্থরল্লিবনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহল্লু হায়বগী দিমান্দদা ঙসি নুপী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী লোয়ননা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী কনভিনর টি এস খেংৱারনা ফোঙদোরকপদা অথেংবা অহিংদা খাগি শেৎপা অমসুং মখূৎতা এ কে ৪৭ রাইফলস পায়বা মশক লোৎপা পুলিস পর্সনেলশিংনা টি এস বেটোনগী য়ূমদা চত্থরমখিবা থৌওং অদু য়ানীংদে হায়খি।

লোয়ননা করি মরমগীদমক অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরল্লিবনো হায়বদু হংবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা মরম তাকপীদনা লৈরিবগী মরমনা করিনো হায়দুনসু হংখি। নুমিৎ অদুমক্তদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎপীদনা লৈরি হায়রি।

নুমিৎ অদুদা পুখিবা টি এস বেটোনগী ফোনসু ঙসি ফাওবা পীরক্ত্রি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপীয়ু। অশেংবা মরম তাক্ত্রিফাওবা জে এ সীগী মায়কৈদগী পিছফুল ওইনা লেপ্পা লৈতনা খোঙজংশিং চঙশিনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি চান্দেলদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপীশিংনা এটেক ওন অৱার লিদর ইজ এটেক ওন অজ, অৱার লিদর শুদ নোট বি টার্গেট, হ্বাট ইজ দ প্রোগ্রেস ওফ এফ আই আর, প্রোসেস এফ আই আর ইমিদিএটলি, গভর্ণমেন্ট শুদ টেক এক্সন, ৱি কন্দেম দ এটেক ওন টি এস বেটোন হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি।